কোনসেন তুরৈ সেংবগী

বারী

লাইনিংলন

নাওশিবা ফুলো।

কোনসেন তুরৈ সেংবগী ৱারী

লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো।

কেংখা - ইং ১৯৩৪
সজীবু থা

অপোকপা চহীরোন ৪ সুবা

কোংজবা –
নওগাঁ অপোকপা মরুপ

থৌসঙ মসাগী মাইকৈগেদগী
হাওবম মাস্ত, যোগীজান।

অপোকপা চহীরোন ৪৭ সুবা।

মেরা থা ইং ১৯৭৭।

মমল - পৈসা ৬০

অহানবা ফোংবা

লাইরিক মশিং—১০০০

সংগ্লেন অপোকপা মরুপকী য়াথং লৌদুনা নাওগী অপোকপা মরুপ থৌসং মশাগী মাইগৈদগী হাওবম মাংগ্ল না ফোংবদা শরুক য়াজবা।

যংহম অমদি তৌজম থোকপা—

পুন্নমক সংগ্লেন অপোকপা মরুপকীনি।

উনং ফোংবিব

পপুলার প্রেস, লালা।

কাছাড় (আসাম)।



॥ ৱাহৈ খরতং ॥

লাইরিক অসি উনব তৌদুনা কোংদোকপগী খন্নরকপা কুইরবনি। অসুক কুইবসি মুদোং চাদনুনা নৈররকপনা অপোকপা মপুগী থৌইনমিন্নবগী চৎখিবা মেরা থাবুং অপোকপা মরুপকী চহীগী অচৌবা মীতিন্নদা নাওগী অপোকপা মরুপ থৌনগু মশাগী অঙম অংথৌ অমা ওইরিবা পুকচেন চাওরবা নাওবম মাচুনা লাইরিক অসি উনম তৌদুনা কোংদোকপগী থৌদাং য়াবিখি। সংলেন অপোকপা মরুপনা য়ায়কররবনি খনদুনা উনব তৌদুনা কোংদোক-পগীদমক লাইরিক অসি মাওগী অপোকপা মরুপ থৌসগু মশাদা সিন্নবনি। মতম ওইরদুনা "কোনসেন তুরৈ সেংবগী য়ারী" কৌবা লাইনিংহন ইবুঙোনা ইখিরম্বা (শৈরেংগী মরোংদা ইবা) সাহিত্যগী মহাও চেন্নবা পীকলবা লাইরিক মচাসি মীতৈ সাহিত্য ঈচেনদা তিন্নরে। মীতৈ ইমাগী মতৌ লৌরবী কৈথেন ভুমনা কারকপী ইমা অমগী অথুম ভহাও পুন্নমকপু মচাগী শকতম লৌবগুম কোনচেন তুরৈ সেংবনা মতম কুইনা মমা মচা কায়নরুবগী অরাবা কোংদোকপগী নারোংদা ইমাগী মুংশি ঊরুগা ইতোৎননা পেননা পেননা চারগা লৌনম পুম্বা থাদ্দাকতুনা ইমাগী মকমদা পেন্নদুনা য়ায়করোনতবু শিনবিরি অমস্তুং মচা মনাই পুন্নমকপু নিংঝংননবা য়ারী সিংগুণ লিরু হায়না য়াখং ঊরু পিবিরি।

মিৎয়েং অমা থমতুনা ইরিবা লাইরিক মচাসিগী মতীক মরাইদি সিংথাদুনা লোইররোই। পাবিরিবা ইবুঙো ইবেমশিংন 'কোনসেন তুরৈ সেংবা' কনানো হায়বসি কুপ্‌ন' ষেংসন-থিজনবিগনি ইবুঙো মহাকভি ইপুরোইগী সারোননি। খিজিনবদা মতেং থর ওইননরগী দমক লাইনিংকন ইবুঙোনা থখিবম্বা হৌরকপা (সাকোক) পুরাদগী সংসৎতুনা মচেং ওইনা পনজগে।

পনদুপ ৭ সুবদা ইপুরোই অপোকপনা লাইনিংথৌ সোরা-রেনগী মকমদা লাউথখিবা লোংদোন লাইবাও—

"নংগী সঙগাই মঙ্গুংদা ফুরিং অমা নৈরনি।
ফুরিংচুগী মঙ্গুংদা ঐনা সারোন ওইরনি॥
ছমনিঙ্গবা অঙাংগী মরোং ওইনা কংগনি॥
নংনা তাইবং সেমবগী মতেংতবু পাংগনি॥

অচাঙবী মণ্ডমগুম অঙাংজুবু য়োকখনি ।"
নংগী থৌরম পুমমক অঙাংহুনা পাংগনি ॥"

লাইনিংথৌ সোরারেনগী সংগাই মুংদা থম্বা ফুহিং (চক্ অহিংবা) মমুংদা তুমনিঙা মুবা অঙাংগুম ইপুরোইগী সাগোনডবু ওইরবা কোনসেন তুরৈ সেংববু মতৌ অন্নমনা লাইনিংথৌ সোরারেন অমস্তুং ইমা লৈমারেন সিদবীনা মীংথোন পিবিখি (পন্দুপ ১০ মুবদা) লাইনিংথৌ সোরারেননা হায়রবা—

"ফুহিংকোনগী মমুংদা ফংথরবা অঙাংনি ।
ফুহিংসিবু হাংদুনা ঐনা মীংথোন থমগনি ॥
ফজরবা মচুনা সননা মঙান সনবনা ।
"কোনসেন সননা" কৌজগে মতীক ময়াইংয়েংদুনা ॥
লৈমরেননা কাম্বরকই লাইনিংথৌবু য়েংদুনা ।
মীংথোন অমা থোনজগে অঙাংসিবু য়েংদুনা ।'
"কোনসেন তুরৈ সেংববু ঐহাকতনা হায়জগে ।
পাগী তুরৈ সেংববু ঐহাকতনা কৌজগে ॥"

ফুহিংসি, কোনসেন সননা, কোনসেন তুরৈ সেংবা অসিনচিংবা মীং-থোনসি লাইনিংথৌ সোরারেন অমস্তুং লৈমরেন সিদবীনা থোনখিব-গুক্তনি । মালেম মীতৈ ঐখোয়না ইবুঙো মহাকপু 'লাইনিংথৌ সননামহী" হায়না ইরাৎনরিবসিনি । লৈসেমহৌদা লাইনিংথৌ সোরারেননা কমসেন কম্বানবু নোংখোঙ কোয়বা অঙম্বদা সিন্নগনি হায়না য়াথং পিরবদা সননামহীনা নোংখোঙ কোয়রুরবা মতুংদা থোকপিবা থৌদোককী মচুং চননা লাইনিংথৌ সোরারেননা অসাউবা থেমজনবগা লোয়ননা সননামহীগী মতীক ময়াইতবু সিংথানুনা মতৌ মুমনা মীংথোন অমস্তুং মীংথৈসিংসি পিবিখি ।

(পন্দুপ ১২ মুবদ)

ঙসিদগী হৌদুনা নমিং সননা থোললগে ।
'সননামহী' হায়দুনা মুংসি চাননা কৌরমগে ॥
মরু মরু ওইরবা মীংথোনখিবিক থোলদুমগে ।
মরু ওইবা মীংথৈবু মথংসিংনা হায়রমগে ॥
ইবুঙোদি লাইনিংথৌ

[III]

য়াম্বী ক্রোমশী মপুখৌ
কঙ্গাং কাংলেন সাথোবা
নৈরক কোনসাং সিললিবা
য়েকনা সরোই লালোইবা
খোঙবান মুংদা লাননবা ॥ পাম্নীহন
নোংদোন থকনা পলোইবা
সননজিংনা মাওকোনবা
লাপখিবনা উমবা
নকমনড়না লৈতবা
চাওবা পিকপা ননিংনি
সিননা থুংনা লৈবনি
ইপুরোইনি হায়জগে
লাওইহরোইনি হয়জগে ॥ পাম্নীহন
মৈ তরং ঈসিং তরং
অতিঙা মুংসিং তরং
মালেম লৈদা খৌসাবা
য়েবনা সরোই লালোইবা
তোপনা লৈবা তোকছানবা
তিননা লৈবা অতিনবা
তাইবং মুংদা লৈবনি
থৌরায় হায়না কৌবনি ॥ পাম্নীহন
কঙ্জাও কাংলেন সাথোবা
য়েনবৌ চুকপী পায়রিবা
চৈবী নৌরেন হোমলিবা
মাংজা সাগোন থৌরিবা
সজিক থাবা ওইরিবা
অময় অঙান থায়বিবা
হুঙনা নিংনা লবোংনি
তাইবং মৌসিং লৈরানি ॥ পাম্নীহন
কোনসেন সননা পীবাবেন

[IV]

মমলাঙবী চৌবরেন
মুঙ্গিংসনবা লাইজরেন
সমন' কমখান চহীরেন
সনখোংগীদি মরিবা
কুংগাগীদি লাইরুবা ॥ পারীহন
খোংজিনদবু লৈবনি
খোংঙাংরেনবু কৌবনি
চাইজুম তাভম তাংনি
তরং নোংদোন কাওবনি
সনং থাকতা খোসবা
কৈদা লৈবা কৈরুংবা
লমমকতদি লমমাবা
লমসেনববু ওইরিবা ॥
নোংখোঙ কোইবা অঙমবা
তরং হীরেন হোললিবা
ইপাক থকতা পুরেনবা
ইথৈ ইহল মরেংবা
য়ৌনিংহনা য়ৌবনি
চৎনিংবদা চৎপনি ॥ পারীহন
লৈবাক মাইবা খুরাই তাংবা
নিংথৌ মাইবা চিরাই পাংবা
মপাদস্থ হনবনি
মপুগীস্থ মথকনি
নতেকমদা তেসললো
নহনকমদা হনজললো ॥ লাইনিংথৌ"

তরাগী মনাই —
নাওরিয়া আমুসনা।

কোনসেন তুরৈ সেংবগী ৱারী

বোরৌ নোংমা নুমিংতি
ননাগুম্বী অমনা
কৈথেল [illegible] নারকই
তর ও তধুম পুদুন ॥
লুথোং থননা কাপতুনা
ত [illegible] খোংথাং গাংওকই
মেদিং [illegible] বৈরাংনগী
[illegible] হোরিং [illegible] ॥
কাইবং পুরিং [illegible]
কোনসেন তুরৈ সেংবনা
কাইবং পুক্লিং গোংবিখি
সানৌ [illegible] খুইজনা ॥
নোংথং নম্না থাংদুনা
তাংওইননা চিংতালবই
অরাম খৌবাং নংবগী
মরোং ওইনা কৌরকই ॥
খোংথাং মনিন ফংরদ
কৈথেননুবী অজুনা
তুংওইনা য়েংখোকখি
কনানোবু হায়দুনা ॥
সানৌ পাখং নাহানা
খোনজেন থানা লাওরকই
ভায়খো ও য়খো হায়দুনা

থুমা মাংনা চেলকই ॥
কৈথেল মুবী অঙনবী
পুকনিং থরা চিংনখি
মরম করি ওইগবা
মরোন মরোন খনখি ॥
সানৌ নাহা কনানো
লমজেন খোঁরাং নংলত্রা
অরা অনা নংবগী
পাওবু কায়গে লৌত্রা ?
তুইর লেংবা নহানা
থুংদা সুংসা হোনদোকই
চাদবগী মতমগুম
ভুকথা খোননা হায়রকই ॥
কৈথেন মুনী ইমাও
লাইবক থিবা নাহনি
মতম ইনোৎ লৌবনা
তাওথরবা নারানি।
ঐগী ইমিং ইথাদি
খরা কোননা হায়জগে
অরাম খোরাং কোকলগা
পারী পুরী লিজগে ॥
অরাম খোরাং নংবগী
সুখিৎ মসিং থামলকলে
চাদবনা কুইরকলে
মাইথোং সকফম কায়রকলে ॥
লমলামবগী পুকখিননা
ভাইবং পুকনিং হোংথরে
পলেম পম্ভৌ অনিনা
পিজমরোই কায়থরে

শুংসিবগী কিসিদি
থোকদোকপদি ঙমজদে
লাইগী য়াথং চেৎপনা
পঙ্গৌ যুমভম থানিংদে
পলেম মা'নবী ইমাও
ওনতৈনা য়াহৈনি
পাখং নাহা য়াহৈসে
করেমনবা মসকনি ॥
মা'রৌবিন্দু ইমাও
নচাগুম্বা নহানি
পুংচেল কিংখ নাহা'গী
মা'দি ইচুম চুমবনি
মচৈ য়ে'নবী ইমাও
পুকনিং থু'না চাখিগে
চাগদবা মচৈদু
ইথুংমকনা খনজগে ॥
চৈগী পা'রী পুংদি
খর কোননা হামজগে
চাগদবা মচৈদু
থৌমায় পেননা চাখিগে
হৈরাং হৈথুম মমনগী
চিংনবিন্দু পুকনিংমা
মতিক চাবা মমনবু
পিজগনি ঐরাকনা ॥
লান নংলবা নাহানি
মচৈ য়োনবী পলেমও
পেননবা মচৈদু
পুকনিং তিংনা পিজৌও ॥
অয়াম থৌরাং নংলবা

নাহা খাহৈ তাবদা
নুংসি থাম্না মতাংবু
খনথরুবা মতমদা
নুপী পুকনিং ওইবগী
মহোসাগী ওইবনা
পুকনিং থাম্না লৌথখি
সানৌ খাইহ তারুনা
মহৈ মরোং য়োনবীনা
অহাও অথুম থাংদরে
নিংখি থোংকবা মৈতক্ ।
লুকমাই থকপা থেংথরে
চাও চাও পারীব
মনিং থুংনা চাজৌও
লুকমাই থকপী মৈহব
ননিং তমনা লৌজেংও
কোনসেন চুহৈ সেংবনা
মনিং থুংনা চানরে
মুভায় মপুং ফাডুনা
খেকনা খেকন নোকখরে ।।
সানৌ নাহা পাখংগী
মাইথোং সননা উবদা
লৈরাং ঙাঙুং মচুগী
চেংলৌ সকতম য়েংবদা ।।
মহৈ য়োনবী নুপীগী
পুকনিং থামনা চিংনরে
লাইগী মচা কনানো
অচম্বদি নত্তরে
কুইখরবা মতমগী
লাংলেন সকপু নিংখাংখি

হিংলু অনিযকতগী
পিনা তয়ং সিনখখি ॥
মহৈ য়োনবী মুপীগী
পুকনিং নৌবা উবদা
অদ্বা ইথক হৌরবা
মাইথোং পাংনা য়েংবদা ॥
কোনসেন ভুরৈ সেংবনা
নেংকপা খেবা তোকখরে
মহৈ মরেং য়োনবীবু
মুংসি খোননা থেমখরে ॥
মহৈ য়োনবী ইমাও
করিগীনো য়ারিবা
ওইরোইদবা মরমগী
করিগীনো খল্লিবা ॥
ওইখিবদু ওইখরে
অমুক হননা ওইররোই
ওইগদবা মরমদি
সোইদবনি-লেংলবোই ॥
মরমসিবু খংহুনা
তাইবং অদ্বা খংনখি
ওইগদবা মরমগী
থৌরমতবু তৌনখি ॥
মহৈ য়োনবী ইমানা
করিগীনো কপপিবা
তৌগদবা থৌরমবু
করিগীনো কাওরিবা ॥
মহৈ মরোং হৈরাংগী
মমন কংদে নিংলত্রা
পাখং লমজা নাহাবু

অঙাওবনি থল্লরা ॥
পারী সানৌ ইবুঙো
করিবুন্থু থল্লুদে
মহৈ মরোং হৈরাংগী
মনখিনবা তৌজদে ॥
সানৌ নংগা মানবা
লাংলেন ইচা লৈরমখি
চহি তরা মঙাবু
কুঃম চুপনা তৌরমমি ॥
খাংবুথকতা ইচাদো
তাইবং কুমৈ লোমজখি
কোরৌ নোংদোন নোংদম্বা
থায়না কুমৈ তৌবিখি ?
সানা নংগী সকতমবু
ঐগী মিৎনা উরগা
অরাম খোর'ং ন'ডুনা
নংনা চাবা উরগা ॥
ল'ইবকথিনী ঐহাক্তী
খোরাম য়াম্না পেনজখি
সিথরবা ইচানা
চায়বোইরে নিংঝখি
কোনসেন তুরৈ সেংবনা
মে'মোন নোকনা থল্লকই
য়াখল থেনবা তাইবংবু
পেলহললগে নিঙকই ॥
কদোমদগী পুরকপা
মকম হৌভম থংহৌদে
অপংবদি তাইবংনা
করিমহা হকহৌদে ॥
দু'য়াম থুভোপ থুজাপপু

লুকমায় থকতা হৈথরে
থৌজাল মশৈ মশৈবু
পুকনিং থুংনা পিনরে ॥
মহৈ মরোং য়োনবীনা
পুকনিং য়াম্না শুকতুনা
ওনথোকপনি হায়দুনা
থুবাং তম্বা লোনদুনা
কোনসেন তুরৈ সেংবগী
মাইথোং থম্বান য়েংদুনা
লৈসি লৈথোনজরকই
মাংওইননা লেপতুনা ॥
পাম্বী নংবু কনানো
নমিং নথা থুঙজগে
তোনথরবী ঐহাককী
চিংনখিবিক কোকচগে ॥
ইবুঙোবু য়েংবদা
পুকনিং মরোং হোংথরে
কাংথৎতুনা লৈরম্বা
থাখনঙ্গ মরাইং লুকথরে ॥
তাইবং নত্তে হায়বসি
অরেপপনি থনজরে
লাইনা লৌমন তৌবনি
সেম্লইনবনি নিংজরে ॥
সোরারেনগী মরুপতা
কক্সি থৌরম কায়দুনা
লাইরৈবাককী চৈরাপতা
ঋষি থৌগল সোয়দুনা
তম্বি তাইবং তম্পাকতা
খোংদারকপা ওইরবা
তাইবং পংডি হায়দুনা

জৌনম জৌগে লাক্পরা ॥
থুপপিদমু ইবুঙো
মৎংসিৎনা খংজগে
অরেপপবু খংদুনা
চিংনখিরিক কোকচগে ॥
যজবগী মপুংবু
ইবুঙোদা পুনখরে
নিংথিবগী মরোংবু
ইবুঙোদা তিনখবে ॥
পিস্থম অনি চানবদা
চুমথাং অনি খানপবে
মিৎচি চিথেক য়েংবদা
সজি মকপ ইকাইর ॥
মাইথোং থাবু য়েংবদা
থাবু থস্য লাংঝিনখি
নাপ তাবা উবদা
মাইগৈ নুজা ইকাইখি ॥
পুমৈহ মিৎপু উবদা
লৈসং খেকরায় সাৎখরে
খজায়তবু, য়েংবদা
মুনবা হৈরায় কেনখরে ॥
ঙনথোকনমু নিংখিজে
পামবোম তাবা অনিসে
পানদমনিঙায় লৈখিজে
ইবুঙোগী মরোংসে ॥
থম্মৌ হৈরা ইকায়না
লৈখোম সুংদা চংজখি
নোংময়বু চৈদুনা
ইকাইকিনা লোৎচখি ॥

[৯]

চেংশোই খোঙাংবু ঙেৎবদা
কঙকপনা মাংওয়না
উংঙনবু লৈখরে
উচি খোইগী মরুপনা
সুংঙৌ থবাক উরগা
উঙুং নিংথৌ নোংসানা
লোকচপ সুংদা চোংথত্রে
ইকাইবনা হেনজুনা ॥
নিংজোন তাবা উবদা
মাইগৈ সুজা ইকাইরে
মাইগৈ ফিঙৌ সেৎতুনা
লোমবা চীংদোন লানখরে ॥
ফৈবোম ফৈবাক উবদা
লফু নেঙ্গা লেপখরে
যায়সা সামু লাকপস্তু
নেঙ্গা ওইনা হৌথরে
যেংবা য়েংবা মকমদা
অয়াংপবু লৈকনা
ফজবগী ফিদমগী
পৌনভমবু ওইবিবা ॥
কয়ুম নংবু কনানো
তারপপবু থংজগে
লইবকথিবী ননাইগী
চিংনখিবিক কোকচগে ॥
সোরারেনগী থৌসিনরা
পংথনবগী লৌনমরা
কোনসেন তুরৈ সেংবনা
কুমৈ তৌগে তৌবরা
তেংবানবগী মপুনা

মনিং মথা হৌদুনা
ল্যাইমুকপিবী ননাইবু
থৌজানবিগে নিংদুনা ॥
তাইবংপাগী মকমদা
সায়োন ওইনা লাকপরা
অপংবদি তাইবংদা
লৌসিং পিংগে হৌবরা ॥
অরেপপবু খংহনবিউ
চিংনখিবিক হোকপগে
খাথং টক থবতুনা
অরা হৌরাং লৈনজগে ॥
লাইগী খোমসিন য়াওদনা
লাইগী লৌনম নৎনা
লাকপত্তবু ওয়ররবা
মুমু তাইবং ওইদুনা
অচম্বদি ওইররোই
লেপনা লাইপোক ওইগনি
নোংদম্বনা তাইবংদা
সিরকপবু ওইগমি ॥
নংবু পোকপী পালেমলো
লাইরক য়ামনা ফবনি
লাইনিং চেৎপা মরমনা
ফংজখিবা মচানি
মরমসিনা ইবুঙো
কোলোয়তবু খংজগে
ইবুঙোগী অরেপপা
নরেং নকিক খংজগে
মহে য়েনবী ইমাও
অওইববু হায়রগে
ঐনা লাকপা মরমগী

মারীক্তবু লিহগে ॥
ঐবু মিংবা তাইবংদা
অচেৎ মাবু হায়বনি
চৎকদবা মীওইদা
ঐগী পাওবু তম্বনি ॥
পুক্নিং য়াম্না থিংজললু
মারী তাবা মতমদা
মথক মখা হাইদোকউ
মতম লৈবা খিবিকতা ॥
ঐগী পারী পুরীদি
তইবংঙনা থংগনি
ঐবু পোকপা পম্বৌদি
ঐহোনদগী থোকপনি ॥
মালেম ইমা লৈমনা
ঐবু কোনবা মরমগী
ম'সক ম'রেপ লেপখরে
তাইবং সনবা তমককী ॥
পলেম পম্বৌ অনিনা
খায়না লোইবা মরমনা
চ'য়োক মায়েং থোকখিদে
পুকনিং মরাং হৌবনা
অহল কোনদৈ থিবনা
নাহা পুকনিং চমখিদে
মথক মখা ন'ইখিদে
থৌসিন মফম থংখিদে ॥
মফম সাংনা কোইরুরে
খামবিদবা মরমনা
ইনিং তমনা চৎহরে
পুকনিং মাকক মাংপনা
কোইগনবগী মরমনা

লৈপাক মীয়াম ঙাংনরে
পাখং নাহা ঐহাকপু
মিয়োন ইহরে শায়নরে
য়েকনবগী মরুপপু
ঐনা লোইনা ঙমজরি।
তাইবং মীগী ফনবা
ঐনা লোইনা তৌজরি॥
য়াঙ্কবগী মমনদি
কনানসু শিবিদে
পুম্নমকপু থোবসু
কনানসু তাবিদে॥
তাইবং য়ামনা পংথরে
অদুংওদি নিঙমসি
মসুং মপান পুমনমক
মথং সিংনা উরমমি॥
তাইনরকপা মতমদা
ওনথোকনসু পংথরে
তাইবংমীনি হায়দুনা
পুমনমকনা খংথরে।
নহা ঐগী ইমিংদি
"কোনসেন তু'র সেংব'"নি
নোংখোং থুংনা কে'ইবনা
নোংখোং কোইবা কৌবনি॥
লৈপাক সিনমা চৎপনা
ঐগী মিংথোন য়ামথরে
মফম মফম খুদিংদা
মিংথোন তোপনা লৈখরে॥
তাইবং মুনু পানবগী
হকচাং মুংদা লৈরগা

তাইবং পানবা মিবিকপু
ঐহাকতনা খোরগা ॥
খোৱায় হায়না মকৌয়ি
মুনবা হাখন তৌরগা
সোইদবনি খংনাব
হথক মখা হায়রগা ॥
তাইবং মখোং ওইদুনা
ইযুম লিংবা লৈরগা
য়েকনবনা তাথিরে
ঐগী লিচৎ খংলগা
সিদবগী নয়াথং
তাইবং থাবা ওমদরি
তাইবং সংগাই মনুংদা
লোংকনবু লৈতদ্রি ।
য়েকনবগী মকপনা
ঐবু কাগে তৌদ্রে
সিজবগী মরমনা
কাপিনবু লোংদ্রে ॥
খাংবা ওমদে ইমাও
লোংকম মকম লৈতারে
সংগাই মপান থোকতুনা
যুমথকতবু লৈতব ॥
পলেম পম্বৌ কৌদুনা
কবা মতিক কপচরে
মীগী পুকথিন চাদুনা
করি খৌসু সাদরে ॥
কয়া খুদিং পিখরে
করিমতা উবিদে
মচাক মরন কিনথরে
করি খৌসু সীথিদে ॥

য়েকনবগ ছিনতুনা
য়েকনা চিনজাক চাখরে
য়েকনা কোনদা লৈতুনা
য়েকনা সাজং কৌখরে
য়েকনবস্ এহাকনি
চানবস্ ঐহাকনি
ঐহাকনসী পুমনমক
থোকখরবা মককনি
ঐগী সজং য় মখরে
ফিজেং ম'রাং যামখরে
ঙকরং শনবা পুমনমক
অচৌকপা লৈখরে ॥
উফবস্ ঐহাকনি
ফানবস্ ঐহাকনি
অনিমখনা লৈবগা
ঐবু হংবা সংগনি
ভুরেনগীন অমোবা
ঐনি চানা খংহৌরবা
চীংলেনগীদি কৌক্রদা
ঐনি হায়না হংহৌরো ॥
ঐনা কোকতাক ওইদুনা
তাইবং চাবু য়োকচনি
অরাম থোরাং নংলগা
ঐনা লেপনা পিনরি ॥
অদুমনদি ওইরগা
ঐদি চাবা ফংজদে
য়েকনবগী মকপনা
ঐগী কোনদা চংহনদে ॥
ঐনা পাওনম নিংধৌনি

থাংবরেনসু নৈতাংকনি
মাইতৈগী থোংকপা ওইদুনা
অহংবা লোনবনি
অনি শুদং লম্নৈদো
ইশা-মকনা হোনবনি
[illegible] মচৎ পুমনমক
ঙংগা চন্দ্র [illegible]নি
লাইয়ামগীদি সোরারেন
নৈতাংবমকনা ওইরিয়ে
কোংবং মীগী [illegible]
হনি [illegible]য়না তাম্বিরে ॥
[illegible] লম্নী মমু মদো
[illegible]
নৈনা [illegible] লম্নৈদো
[illegible]কিনি [illegible] ।
লম্নী যাম্না [illegible]
ঙাখন ঙ্গামনা [illegible]োককনি
থাখন মচাম লেংলগা
শাকাম্বরন তাকবনি
বানল মথন চারগা
হৌরম পাংবা ওইররোই
ফংগদবা মফমদি
তৈবদোতৈংন্ন ফংলবোই ।
মহাককিদা মহাবকিনি
ঐনা লেপনা পিগনি
তমথরবা মীগীদো
নংগী নত্তে খংগনি ।
কনাদসু তাংজনু
কনাগীসু পামুসু

নংশী নংশী লৈয়মো
অরায়বনি থমগনু
মত্তুতনা পাক্লেনি
মত্তুতনা হংগনি
ঐনা লেপনা পেনগনি
সোইদবনি থংগনি ॥
ঐবু কাথোকপিবনা
ঐদি লমজা ওইজরে
থৌজই বিথিদবনা
তংভম লৈভব লৈতরে ॥
কনানসু পিজদ্রে
কন নসু কৌবিদ্রে।
সামান লেংমাননবনা
কবি থৌসু সাবিদ্রে ॥
মংইগী ঙাকপা থিবিকনা
কোনথিনদনা লৈরিবা
মেকন মকপ থিবিকলি
লৌমথনসু থৌরিবা ॥
অরাং পনগী মপানদা
থারমথংবা পনথেংদা
নোংচুপ নোংপোক মাইগেগী
লীংয়া তমম্না থংবদা
পংথং লাতা ওইবনা
ইকাইথুমনা তৌদুনা
ঐনা কোইনা চাকতাম্রি
চাকনি ফিনিতত্তুনা ॥
ইপারেনগী য়ংথংদি
মাংব মাদে কায়বনা
কংলাবুংদা লাকপনি
সংগাই মুমকম থিদুনা ॥

কনানস্থ হংবিদে
কনানস্থ পিজদে
অরাম খৌরাং নংবস্থ
কনানস্থ হংবিদে ॥
অরানবনা মপুং ওই
খৌরাংবনা ঙমখৈ ওই
য়েংথোকখিবা মাইগৈদা
কনা লৈতবগুম ওই ॥
লাইরপ্রবী ইমাও
ইকাই অকি লৈত'না
নংগী মহৈ চাবনি
চিংনবরু লৈতনা ॥
ঙনথোকনস্থ থুমখরে
ঙনথোকনস্থ হাওখরে
ঐগী খৌরায় মঙামক
চন্নুথোকনস্থ পেনখরে ॥
লাইরবী ইমাও
মায়কা মুঙাই ওইজরো
ঙসিদগী হৌদুনা
অবা খিবিক কোকচরো ॥
ইমা নংগী পুকনিংদা
চিংনা মচেৎ লৈত'না
লমজা নাহা ঐহাকপু
নচা ওইনা নিংজুনা ॥
পিজখিবা হৈরাংদো
লেমনা মাংবা ওইররোই
লাইরৈবাককী পুগৈদা
ময়েং তাবা নাইররোই ॥
ঐগী পুকনিং পেনবনা

ঐনা মুংয়ায় শিথনি
যায়ফনুঙায় লম্বীদি
মসিতনা ঙক্টগনি ॥
ঐবু ৎংবা তাইবংদো
ঐনা মচৈ পিনরি
ঐগী ইতিক পুমনমক
মাংঙাল্লদ্র হৈথরি ॥
ঐগী ইতিক ইম্মায়দি
অমনতনা খংবনি
নিংক নিংঙা পুকনিংগী
মতুংতবু ঊমবনি
ঐগী ৱারী খিবিকসে
পাম্বৌ মাকলা লিবিক
কৈরোক্ট লৈকাই খুনিংদা
মথং সিংঙনা তম্বিক ॥
অৱাববু কোককনি
য়াম্মফবু ওইগনি
য়েকনবগী সৌনমবু
সোইদনমক চমগনি ॥
ৱারীসিবু লোইরগা
কোনসেন তুরৈ সেংবনা
থংহৌদনা থুপথরে ॥
মংগী মতম ওইদুনা
মহৈ মরোং য়োনবীন্ত
ইঙক ঙকনা লৈংহৌরে
ওনথোকপনি হায়দুনা
কোইনা কোইনা য়েংথরে ॥
লাইগী থৌজাল হায়বসি
ওইথোকতনা ওইবনি

তাইবং মাখন থেনবনা
ফংঙমদবা থৌমোংনি ॥
মহৈ মরোং য়োনবীনা
সুংমায় মায়রেন পুডুনা
ময়ূম শাননা চলকলে
চরাওবনা মাংওইনা ॥
য়ুমগী অহন মফমদা
য়ায়ফা পাওবু তমলরে
ওইথোকতবা থৌদোককি
মারী সিংনা লিররে ॥
য়ায়ফা ম'রী তাডুনা
নিংবাংববু ফংডুনা
লাইনিংথৌবু নিংজখি
মপুরেইবা অচনা ॥
কোনসেন তুরৈ সেংবনু
কপনা কপনা কৌজখি
য়েকনা লৌনম কোবতুনা
লাইগী মাখন ফংজখি ।
সুডায় ময়ায় কাডুনা
ইরাং থৌগন হৌজখি
লাইনিংথৌগী থৌজাননা
অমাথিবিক কোকচখি ॥
মচামস্তু খিবিকতা
মারীসিবু খংহনখি
কৈরোই লৈকাই খিবিকপু
য়ায়ফা মারী লাকনখি ॥
মচামস্ত পাওমেনখি
কাওবা ম'দে হায়ডুনা
মথং মনাও সানখি

[২০]

অহম খাথং ইনজুনা ।।
খায়ফা পুজায় হারীনি
পুকনিং চংনা তাগনি
পুকনিং খাওনা তাংগা
সংজখিবিক কোককনি ।।

—×—×

খাম্বকরে, খায়ফরে, খাম্বকরে ।